www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 14,585 | 22 Carat/g : ₹ 13,740 | 1 Kg Silver : ₹ 2,40,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,500 | WEATHER: Scattered Thunderstrom | Temperature 28/22°C | Sunrise: 04:44 AM | Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.82 | Diesel : ₹ 92.53 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 240 | IMPHAL, SATURDAY, AUGUST 8, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, ইঙেনগী ২৫ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

অহাঙবা চাখাও অহাঙবা
ফুরিৎখাও অকায়বা
থম্মোয়না পুন্সিদা খ্বাইদগী
ফবা পারা তন্বীবা ঙম্মী

## ব্রাউন সুগর গ্রাম ১৩৯ ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ পুলিসনা থিবা হুন্বগী থবক চথবগী মনুং চন্না লিলোং পি এস, এম বি সি পিদা দোলাইপাবম অশিব হুসেইন (১৯) কৌবা মীওই অমদগী ব্রাউন সুগরনি হায়না চিংনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক গ্রাম ১৩৯ ফাখ্রে।

পুলিসনা ফারবা অশিব হুসেইন ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চক্তা লৈবা মীশক অমনি হায়রি।

## গাড়ী ৫২৭ লোম চঙলকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ নেসনেল হায়ৱে ৩৭দা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা সেক্যুরিটি কনভোই য়াওনা পুন্না গাড়ী ৫২৭ লোম নোংমগী তঙাইফদবা চান–থক্লবা পোৎলমশিং অমদি অতৈ পোৎলমশিং য়াওনা চঙলকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা ...মখা লমায় ৫দা...

## সনাজাওবদা এন আর আই এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ সিঙ্গাপুরদা বেজ তৌবা ইন্টরনেসনেল ব্যাজিনেস ষ্ট্রেটেজিষ্ট, ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমদি ইনভেষ্টর য়ুম্নাম সনাজাওবদা নন রেসিদেন্ট ইন্দিয়ান (এন আর আই) এৱার্দ ২০২৬ পীরক্লুনা ইকাই খুম্নবা উৎলকখ্রে।

ইভেন্টিনিটি ভেঞ্চর্স প্রাইভেট লিমিটেদনা শীন্দুনা সেন্ট রেজিস সিঙ্গাপুরদা ...মখা লমায় ৫দা...

## মৈ মুৎকনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ ঐচ টি পোল য়ুংগদবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ৮গী অয়ুক পুং ১০দগীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ ফাওবা কৈশাম্পাৎ সব ষ্টেসনগী ৩৩ /১১ কে ভিদগী পুরকপা ১১ কে ভি এসেমব্লী–১ অমদি ১১ কে ভি বজার ফিদরগী ওইনা মৈ মুৎকনি হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদনা খঙহল্লক্লি।

...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

ভোটসিবু য়েথোকখিদৌরবা জাৎলা, হৌজিক ফাওবা কেন্দিদেট অমত্তনা থক চাররাও হায়রক্ত্রিবসি



হোয়নে লেন্না থকলো লাউ হায়না অমত্তা কৌরক্তেনে

## হেক্তা হায়জিনবা

### চীনগী লান

তাবদা ৱারেদা
চীনগী লানসে
মখুৎতি অমত্তা য়াওনদনা
খবরদতা কল্লি
টি ভিদা মতিং ফুদোকই
লৈঙাকপনা অমা ঙাঙ
লুপশিংনা অমা ঙাঙ
মীয়ান্না অমা ঙাঙ
নাকোংশিংঙা য়ৈরেদা
তাবদা ৱারেদা
চীনগী লানসে
লৈঙাকপনসু তৌদৌবা তৌদে
তৌফম থোকপা তৌদে
তকশিনবা কাংবুসু তৌদে
তৌফম থোকপা তৌদে
খবরতদা কল্লি
টি ভিদা মতিং ফুদোকই
চীনগী লানসে
তাবদা ৱারেদা

# দিমান্দশিং রিকমেন্দ তৌবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন্না পীবা কাঙলোনগী মতুং ইন্না লাক্কনিঃ খেমচান্দ

**ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার লৈঙাক্না লম ওন্থোক ওনশিন তৌবগী মতাংদা পাউমীনা হংবা ৱাহংদা মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা পাউখুম পীরমদনা চৎখ্রে**



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী মীয়াম অমদি তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিংনা খন্নদুনা লাক্লিবা ৱাফম অমদি দিমান্দশিং মপূং ওইনা অমত্তা তাশিন্দুনা মীয়ামদা ফগদবা অদু রিকমেন্দ তৌবা হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা কাঙলোনশিংগী মতুং ইন্না তৌগদবনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

দেমোগ্রাফিক প্রোফাইল ওফ মণিপুরগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর ষ্টেট পোপুলেসন কম্মিসন অনীনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চৎখগদবা কন্সল্টেটিভ মীটিং কম সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ অমদি তোঙান তোঙানবা ইহৌ কয়ানা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা নোংমা নোংমগী শোকহল্লক্লি। ওইরিবা ফিভম অসিনা নোংমগী চারা তানদুনা হিংলিবশিং দা অকনবা শাফু পী। ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরকপদা তোঙান তোঙানবা ললোন–ইতিক তৌবা মীওইশিং অমদি পোৎ–চৈ পুথোক পুশিন তৌরিবা দ্রাইভরশিংদা হেন্না অৱাবা চৈথেং পীরি। লৈবাক অসি কায়গদবা অমদি অৱা অনাশিংদা হেন্না চৈথেং পীগদবা থৌওংশিং লেপ্তুনা মীয়াম্বু য়াইফনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংদা পূন্নমক অমত্তা ওইনা মায় ওনশিনমিন্নসি।

থৌরম মপু ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর কোন্থৌজম গোবিন্দাসনা হায়, হৌজিক লৈরিবা কন্সটিট্যুসন অমসুং লিগেল ফ্রেমৱার্ককী মনুংদা এন আর সি পাঙথোকহন্নিংবগী ষ্টেট লৈঙাক্কী অনিংবা অপান্বা অদু ইনিদয়া লৈঙাক্তা থমখ্রে। দেমোগ্রাফিক এক্সপার্ট, ষ্টেটিষ্টিক্সিয়ান, লিগেল এক্সপার্ট, ...মখা লমায় ৫দা...

## নেসনেল হেন্দলুম দেদা প্রসিদেন্টনা তখেল্লম্বম রানীদা এৱার্দ পীরকখ্রে

# চাওখৎপা খূন্নাই অমগীদমক হেন্দলুম সেক্টর য়োকখৎপা মথৌ তাইঃ গভর্ণর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ নেসনেল হেন্দলুম ২০২৬ দে লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দোরপতি মুরমুরনা ককচিং খুনৌদগী তখেল্লম্বম রানীগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফিশাবী নুপী ২২ রোমদা নেসনেল হেন্দলুম এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুন্নবা উৎখ্রে।

ষ্টেটকী ওইনসু নেসনেল হেন্দলুম দে পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নুপীশিংনা মাঙজিল থাবা চাওখৎপা মণিপুর খুন্নাই অমগীদমক হেন্দলুম সেক্টর য়োকখৎপা মথৌ তাই হায়না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর লৈঙাক্কী টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন ...মখা লমায় ৫দা...

## মমাং চহী খক্তদা সি আর পি এফ ৫৯ সুসাইদ তৌখি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ মমাং চহী ২০২৫ খক্তদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) কি জৱান ৫৯ সুসাইদ তৌদুনা শিখি হায়না ওফিসিএল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

সি আর পি এফকি সুসাইদ তৌদুনা মমাং চহীদা শিরিবা জৱানশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৮০ রোমদি কন্সটেবলগী রেঙ্কদা থবক তৌবা পার্সনেল ঙাক্তনি। ওফিসিএল ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ২০২১–২০২৫ ফাওবগী মনুংদা সি আর পি এফকি জৱানশিংনা সুসাইদ তৌরিবা অসি দ্যুটি তৌরিঙৈ মনুংদা চাদা ৭৭ লোম ওইরি। সুসাইদকি কেস পুন্না ২৬২ রোম থোকখিবদা ২০২ লোমদি ...মখা লমায় ৫দা...

## ওর্গানিক্কী পোত্থোক মাঙজিল থানা পুথোকপা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলিঃ দেবদত্ত

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ ওর্গানিক্কী পোত্থোক মাঙজিল থানা পুথোকপা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। মণিপুরগী ওর্গানিক হোর্টিকলচর সেক্টর হেন্না মপাঙ্গল হাপ্তুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্নবা পান্দমদা খোঙথাং কয়া লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী দিরেক্টর কে দেবদত্ত শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।



নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) গী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীট দ প্রেসকী থৌরমদা দিরেক্টর কে দেবদত্তনা হায়, মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (এম ও ভি সি দি এন ই আর) দা অচৌবা মীৎয়েং থমদুনা মণিপুরবু ওর্গানিক্কী পোত্থোক মাঙজিল থানা পুথোকপা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা অমদি লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোনগী ফিভম ...মখা লমায় ৫দা...

## পুলিস মোর্দনাইজেসনগীদমক থাদরকপা শেনফম মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙম্বা ষ্টেট ওইরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭(এজেন্সি)ঃ পুলিস মোর্দনাইজেসনগীদমক লৈঙাক্না থাদরকপা শেনফম নীংথিজনা মপুং ফানা শীজিন্নবা ঙম্বা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমা ওইরে।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ফাইনান্সিয়েল বদজেট ২০২৩–২৪, ২০২৪–২৫ অমদি ২০২৫–২৬কী মতমদা থাদখিবা পুলিস মোর্দনাইজেসনগী শেনফমশিং মপূং ফানা শীজিন্নখিবা ষ্টেট অসি ২৮গী মনুংদা ১৫ খক্তনি। মসিগী মনুংদা মণিপুরসু য়াওরকখিবনি। লৈঙাক্না থাদরকপা পুলিস মোর্দনাইজেসনগী শেনফম মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙমখিবা ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বিহার, অরুনাচল প্রদেশ, সতিশগর, হরিয়ানা, কর্নটকা, মণিপুর, মিজোরাম, রাজস্থান, সিক্কিম, টামিল নাদু, তেলঙ্গনা, ত্রিপুরা অমদি উত্তর প্রদেশনি। ষ্টেট ২৮গী মনুংদা লৈঙাক্না পুলিস মোর্দনাইজেসনগীদমক্তা থাদরকপা শেনফম মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙমদবা ষ্টেট ১৩নি। ষ্টেটশিং অসিনা থাদরকপা শেনফম শীজিন্নবা ঙমদ্রিবা অসিগী মরম কয়া অমদি লৈ। মরমশিং অদুগী মনুংদা টেন্দর থেংনা থোকপা, খূৎলায়শিং অমদি ...মখা লমায় ৫দা...

## এক্স সি এম বিরেনগীনি হায়বা ওদিও ক্লিপ অদু শেমদোক শাদোক্লবা ক্লিপ অমনিঃ সেন্টর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা হান্নগী সি এম নোংথোম্বম বিরেনগা মরী লৈনৈ হায়রিবা ওদিও রেকোর্দিং অদু নীংথিনা শেমদোক শাদোক্লবা অমা ওইবা মরন্না হান্নগী সি এম বিরেনগী মথক্তা থারকখিবা পিটিসন অদু দিসমিস তৌবীয়ু হায়না সেন্টর লৈঙাক্না সুপ্রিম কোর্টতা থমখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মপানগী পাউদা ফোঙনরকপদা নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটি (এন এফ এস য়ু)গী অনীশুবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না হায়রিবা ভাইরেল ওইরিবা



ওদিও অসি শেমদোক শাদোকপনা মরম ওইরগা হান্নগী সিএম বিরেনগী খোঞ্জেলনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈত্রে। মরম অদুনা সেন্টরগী মহুৎ শীল্লগা লেপখিবা এদিসনেল ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘ব্লোকেদ হন্দোক্তুনা ফ্রি মুভমেন্ট লৈহনবদা পূন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ লমদমসিগী মীয়ান্না হীদাক লাংথক্কী অৱাৎপা য়াওনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা চথরিবা ইকোনোমিক অমদি কাউন্টর ব্লোকেদকী খোঙজং হন্দোক্তুনা নেসনেল হায়ৱেশিংদা ফ্রি মুভমেন্ট লৈহনবদা মরী লৈনবা পূন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা অপিল তৌরক্লি।

ফোক্সকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি তয়েঞ্জম থোইবনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট অসিগী চীংগী মফমশিংদা ইকোনোমিক অমদি কাউন্টর ব্লোকেদকী খোঙজং লেপ্তুনা চথরকপনা লমদম অসিগী মীপুম খূদিংমক্তা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। হীদাক লাংথক্কী অৱাৎপা য়াওনা নোংমদা মথৌ তাবা পোৎলম কয়াগী অৱাৎপা লৈরকপনা মীয়ামদা চাওনা চৈথেং পীরে। অনা লায়েংশঙশিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং–ইহৌ’ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ নেসনেলিষ্ট কল্লেক্টিভ মণিপুর (এন সি এম) না শীন্দুনা ‘ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং–ইহৌ’ হায়না মীংথোনবা এৱেয়রনেস কেম্পেইন অমা ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেথোলিক স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

নেসনেলিষ্ট কল্লেক্টিভ মণিপুর (এন সি এম)গী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম থোইথোইবনা হায়, ঙসি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্তগী নহানা মশিং হেল্লবসু লমদম অসিদা নোংম নোংমগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তা ইরাক্লরকপা নহানা মশিং হেল্লকপা অসিনা নোংমদি খুন্নাই অসি মুৎখিবা য়াই। মরম অদুনা নহাশিংবু কন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা ...মখা লমায় ৫দা...

## বি এস এফ থমজিনবগী মায়োক্তা মহৈরোইশিংনা কোলেজ ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ বি এস এফ পার্সোনেলশিং কেম্পস মনুংদা থমজিনবগী মায়োক্তা খোয়শাওনরবা মহৈরোইশিংনা ইরাং হৌরক্তুনা লিবরেল কোলেজকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক, মেন গেট অমদি বি এস এফনা চঙথোক চঙশিন তৌরিবা গেট ছো লোনশিন্দুনা বি এস এফশিং হোংদোক্ত্রিবা ফাওবা কোলেজ অসি সটদাউন তৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লিবরেল কোলেজদা মতম কয়াগী মমাঙদগী বি এস এফ সিক্যুরিটি পর্সোনেলশিং লৈরকপা অমদি হোংদোকহন্দবগী মায়োক্তা ঙসি অয়ুক পুং ১১.২০ তারকপদা কোলেজ অসিগী মহৈরোইশিংনা ইরাং হৌরকখি। মহৈ তম্ফমশঙদা মিলিটরাইজেসন ওন্থোকপা য়ানিংদে, হোংদোক্লবা কয়ারক মরী লৈনবদা খঙহল্লবসু থবক পায়খৎতে হায়দুনা কোলেজগী এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক, মেন গেট মহৈরোইশিংনা ...মখা লমায় ৫দা...

## দুরান্দ কপ মনুংদা গাড়ী হুরানবগী থৌদোক থোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ লৈবাক শীনবা থুংনা য়াম্না পান্না য়েংনরিবা দুরান্দ কপকী শরুক অমা ওইনা খুমন লম্পাক্তা চথবা দুরান্দ কপকী মেটচ শান্নরিঙৈগী মনুংদা পার্কিংদগী গাড়ী হুরানবগী থৌদোক থোক্লে হায়না কমপ্লেইন কয়া তৌনরকখ্রে।

পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্নসু থা অসিগী ৩দা পাঙথোকখিবা দুরান্দ কপ মেটচ মনুংদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী বোক্সিং এরেনা ময়াদা লৈবা পার্কিং এরিয়াদগী হোন্দা এক্টিভা ১ হুরানখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাউ অদু হেক ফংবগা খুদক্তা সি দি ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম অমা দিপ্লোই তৌদুনা থিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ববিনা হোস্পিটালদা ব্রেষ্টফিদিং ৱিক লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ ব্রেষ্টফিদিং প্রোমোসন এলাইন্স ওফ মণিপুর (বি পি এ এম)না ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইম্ফাল ওপষ্টেট্রিক্ট এন্দ গাইনেকোলোজিকেল সোসাইটি, পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর অমদি ট্রেন নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা খূৎশন্নদা শীন্দুনা খাবৈশোইদা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘মনিং মখা তন্না পাল্লম্বা লৈবাক্লি হায়বা খঙহনবা মতম ওইরে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর অসি মনিং মখা তন্না পাল্লম্বা লৈবাক্লি হায়বা চপ চানা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহনবা মতম ওইরে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ভাইস প্রসিদেন্ট নাওরেম ৱাঙম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

৬১শুবা চাকলাম খোঙচৎকা মরী লৈননা থাবুম অমা চুপ্পা চথগদবা রিজেনরেসন মন্থকী পরিং নাইনা চথরকপা একাদেমি কেম্পেইনগী থৌরম ...মখা লমায় ৫দা...

## মহৈরোই অমনা ৮ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি)ঃ অঙকপা থৌদোক অমা ওইনা শুপ্পগী ক্লাস ৯ খক্তা তম্লিবা মহৈরোই অমনা ওজা ৩, মহৈরোই ৩ অমদি মপু অমসুং মবোক য়াওনা পুন্না মীওই ৮ কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

মীওই ৮ নোংমন্না কাপ্তুনা হাৎলবা মতুং মহৈরোই অদুসু মশা মথন্তা কাপ্তুনা শিজখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈখোম পৈশিনফম ওন্থোক্লবা এন আই টিগী কেম্পস হোংগদৌরিব্রাঃ ইবোবি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ লম্ফেল ৱাটর বোদি শেমগৎপগী লৈখোম লৈনাং পৈশিনফম ওন্থোক্লবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি) মণিপুরগী কেম্পস হোংদোক্কদৌরিব্রা হায়না মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিনা লৈঙাক্তা ৱাহং হংলক্লি।

কোংগ্রেস ভাবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ও ইবোবিনা হায়, ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্না এন আই টি ...মখা লমায় ৫দা...

## সনালৈবাক পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়ামগী খোল্লাউ ঈশ্বরগী খোল্লাউ

**দা. অকোইজ়া সিংহ, দাইরেক্টর ই এম পি লিমিটেদ**



দিক্টেটর লৈঙাক্লোন অমগুম লাউথোক্তবা ইমরজেন্সি লৈঙাক অমা ইন্দিয়া শীনবা থুংনা চলাইবদগী ষ্টেট অসিদসু য়ৌশিল্লক্তুনা লৈঙাকলোইশিংবু খঙনা–খঙনা খঙশিন্নদনা লৈথোকপনা হীরম কয়াদা ইরোই লৈয়োনফমগী হোল্লবা কোমদা অরেং–অরেংবা মফমদা ঙকশম য়ৌনা পুথরক্তুনা মীয়াম অশিবগী খয়াৎতা লোইনমক তারে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ষ্টেট অসিগী অৱাং নোংপোকলোমদগী লাকপা ফত্রবা মতম কুইনগী মমাংদগী মালোম লৈরকপা মীরৈবাক মচাশিংনা খুদোংচাবা লৌশিল্লকপদগী হীরম খূদিংমক্তা মায়থিহল্লে। ষ্টেট অসি কন্ননবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি সেন্টরগী অঙম অথৌশিংনা লাউথোক্তবা ইমরজেন্সি অমগী মখাদা অরানবা হুকুম সিফাইশিংদা পীবগুম তৌরিবসি তোক্তুনা মশক থোকপা ফেদেরেলিজমগী থাংশাং মণিপুরগী লৈঙাক্লোইশিংদা পীবিরবতদা মণিপুর য়াম্না লাইনা কনবা ঙমগনি। ষ্টেট লৈঙাক্লোইশিংগী পাঙ্গল শোনবা মতৌ কৈদৌনুংদা উৎলোইদবনি।

**লাইশ্রম সত্যব্রতা (মুবি) য়ুমশারোলগী প্রোপাইটর**



মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা প্রোব্লেম লৈতবা লৈবাক অমত্তা লৈরম্লোই। থোক্লিবা অমদি লৈরিবা প্রোব্লেম অদু লোইশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ৱারি শান্নবনা ওইগনি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা ইস্যুশিং অসি লোইশিনসি হায়রগদি লমদম অসিদা খূন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপ খূদিংমক্কি ওইবা ৱারি শান্নবা য়াবা প্লেটফোর্ম অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ। প্লেটফোর্ম অদুগী মখাদা মপি মপা ওইবশিংনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্তা মসি তৌবা অমদি মসিদগী হেনবা য়াদে হায়বনচিংবা শীনবিগদবনি। প্লেটফোর্ম অদু শীনবিবা ঙমদ্রবদি পাল্লিবা লৈঙাক অদু মতিক চাদ্রে হায়না তাকপনি। মতিক মথৌনা লৈবা অমদি থম্মোয় শেংবা লৈঙাক্লোন অমা হৌজিক হৌজিক য়াম্না মথৌ তারে। মণিপুরদা রেজিষ্টার তৌবা অমদি তৌদবা ওর্গনাইজেসন মশীং থিঙমদনা লৈ। পূন্নমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌহন্নিংই। ফরংজাই য়ুম্বাল ওইনা অসুমক লৈরগদি মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা অমদি ঈং তপ্পা পুরকপা ৱাগনি। লিংজেল মান্নরসি, ইমা লৈবাক কল্লসি।

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসি করম্না কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা অদোমগী ৱাখল্লোল ৱাট্সএপ নম্বর **9366310922** অমদি ই–মেল **sanaleibakdaily2008@gmail.com** দা থাবীরকউ।

# থোক্লিবা ইসু ময়াম মরকসিদা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা শীংথানিঙাইনিঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা নোংমগী করি থোক্কনি খঙদবা অমদি থোক্লিবা ইসু ময়াম অসি শেন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিসু কোক চিকপা মতমনি। অদুবু লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামগীদমক্তা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা অসি শিংথানিঙাইনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।





মণিপুর লৈঙাক্কী লেন্দ রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী ওনলাইন পোর্টেল ৮ অমদি এল আর মণিপুর হায়না মিংথোনবা মোবাইল এপ্লিকেসন লোঞ্চ তৌবগী থৌরম ঙসি এম এস এফ দি এসতা পাঙথোকপা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, চহী ৫০ হেল্লবা লেন্দ রেকোর্দশিং মেনেজ তৌদুনা থন্নবা হোৎনবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা খূদোংচাদবা কয়া থেংনবদগী রেকোর্দশিং অসি দিজিটাইজ তৌনবা রেভিন্যু সেক্রেটরীনা ৱাফম অমা হায়রকপদগী থৌরাং অসি পায়খৎপা হৌরকখিবনি। ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা ওনলাইন পোর্টেলশিং অমদি এল আর মণিপুর এক্ট অসিনা দিপার্টমেন্টশিংনা লৌরিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## নোংশুমদা লৈবা সি আর পি এফ কেম্পতা নুপীশিংনা থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (এস এন এস)ঃ হৌজিক হৌজিক মীচম মীয়াম ঙাকপা শেনবগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংশুমদা লৈবা সি আর পি এফকী ৩০ শুবা বট্টালিয়ন হোংখিবা য়ারোই হায়না মায়কৈ অসোমগী নুপীশিংনা চঙশিন্দুনা ৱারি শান্নখ্রে।

উয়ুমপোক নোংশুমদা লৈবা সি আর পি এফকী কেম্প অদু হোংলগনি হায়বা পাউ ফংবদগী নুপীশিং অদুনা চঙশিন্দুনা সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট অজয় শর্ম্মগা উনদুনা ৱারি শান্নখি। নুপীশিংনা মখোয় চৎখ্রবদি থোক্লকপা য়াবা অকিবশিং অদু পাউদমখি হায়রি।

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# লৈঙাক্কী স্কুলশিংদসু থাঙ-তাগী ওজা হাপ্পীরবদি হেন্না মপুং ফাবা সবজেক্ট ওইবা ঙমগনিঃগুনিন্দ্রো



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭(এস এন এস)ঃ

লৈঙাক্কী স্কুলশিংদসু থাঙ-তাগী ওজা হাপ্পীরবদি হেন্না মপুং ফাবা সবজেক্ট অমা ওইবা ঙমগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোঃ পাউনম গুনিন্দ্রা সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

হুয়েন-লাল্লোং দে ২০২৬কী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়, হৌজিক্তি ক্লাস নাইনদগী হৌরগা পি ঐচ দি থাক ফাওবদা থাঙ-তা তম্বীরে। থাঙ-তানা মহৈরোইশিংদা মার্সিয়েল আর্টকী লৌশিং তম্বীবগী মথক্তা লমচৎ-শাজৎ অমসুং থকসি-খাসি তম্বীরি। থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি ইচম চম্বা মার্সিয়েল আর্ট নত্তে। মসিনা মীওইবগী থকসি-খাসি অমসুং লমচৎ-শাজৎ শেমদোক্তুনা ফগাৎহনবা ঙম্মী। হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক্তদি থাঙ-তাগী মশান্না অসি য়াম্না তঙাইফদবা ওইরক্লি।

কুমজা ১৮৯১দা শোক্লখিবা এঙ্গলো-মণিপুর ৱারগী মতাং দা পল্লদুনা মহাক্না হায়, লান অদু লোইশিনখ্রবা মতুংদা বৃটিশ ওফিসারশিংনা অইবা চেরোল থোক্তুনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীওই পূম্নমক থাঙ অমদি অতে নাৎকী ওইবা খুৎলায়শিং পুরগা চৎপা থিংখি। মণিপুরী লাম্মীশিংগী মায়োক্তা শোক্লখিবা লান অদুনা খ্বাইদগী অরুবা লানফম ওইখি হায়বা বৃটিশ ওফিসারশিংনা মতমদুদা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। মণিপুরগী লাম্মীশিংনা হৌন- লোনচৎ খঙবগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক মথৌনা লৈনা লান্থেংনবা ঙমখিবদু থাঙ-তা মশান্নগী মপালদগীনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ফেকল্টি থাঙ তা দিপার্টমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, শীন্তাকপুরেল ওক্রম মঙলেম মীতৈনা হায়, থাঙ তা অসিগী মতাংদা অপুনবা অমা হায়বদু লৈবা ঙমদনা লাক্লবা মতুংদা ২০১৬তা অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ শেমদুনা ২০১৭দগী হুয়েন লানলোং নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্খিবনি। মীতৈ ঐখোয়না থাঙ-তা লৈরিবা খৈ মুৎলোই। থাঙ-তা হায়বসিবু কয়ারক হন্না মুথৎনবা হোৎনরম্লবা অদুবু ঙমদনা লাকখ্রবনি। খুন্নাইরোল, চৎনরোল, য়ুম্বাল্লোন কয়া য়াওরবা থাঙ-তা অসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদগী মুত্তনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মশীং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা থাঙ তাগী ওইবা অপুনবা শাজেল উৎখ্রে।

# ববিনা হোস্পিটালদা ব্রেষ্টফিদিং ৱিক লোইশিনবগী থৌরম...

*লমায় ১গী মখা...* লৈবা ববিনা হোস্পিটালদা ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং ৱিক লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

'ব্রেষ্টফিদিং ফোর এ সেষ্টেনেবল ষ্টার্ট ইন লাইফঃ ষ্ট্রেঙথন হ্যুট ৱার্ক্স' হায়বা গ্লোবেল থীম অসিগী মখাদা চত্থখিবা ব্রেষ্টফিদিং ৱিক লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পেনিজকী চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর ডা. থাংজম দবলিনা অথোইবা মীথুং, বি পি এ এমগী প্রসিদেন্ট ডা. ইবোতোম্বী শর্ম্মনা থৌরম মপু, বি পি এ এমগী সেক্রেটরি ডা. জেমস এলাংবম অমদি ববিনা হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেদেন্ট ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রমনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী টেক্নিকেল সেসনগী 'ব্রেষ্টফিদিং এন্দ কমপ্লিমেন্টরি ফিদিং' হায়বসিদা ববিনা হোস্পিটালগী পেদিয়াট্রিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট কনসলটেন্ট ডা. সুসমিতা হাওদিজমনা অঙাং অমা হেক পোকপদগী হৌরগা মমাগী খোমলাং পীথকপনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মরু ওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

# মনিং মখা তন্না পাল্লম্বা লৈবাক্কি হায়বা...

*লমায় ১গী মখা...*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখৈদা লৈবা সেন্ট জোর্স হায়স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্পেইনদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

স্কুল অসিগী ওজা আইজেকনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা একাদেমিক কেম্পেইন অদুগা মরী লৈননা নাওরেম ৱাঙম্বনা হায়, ইরমদম অসিদা ঐখোয়গী মীয়াম অসিনা মীখা পোনবা খুন্নাই অমগী পুন্সি মহিংদা লোইলম লৈপাক অমগী মচৎ অমগুম ফঙফম থোকপা হক পূম্নমক খোঙ্গাওনদুনা লাকপগী মমি তারি। ইশু অমা থেংনরিঙৈ অমা অমুক থৌরাংদুনা ঙসি ঙসিসু সেন্সস তৌদ্রিঙৈ এন আর সি তৌনবা মীয়ান্না লাউরিঙৈ চৈরক্তা মণিপুরগী ঙমখৈ থুগাইনবা তোঙান-তোঙানবা লাল্লোং কয়া অমা চত্থরকপা লেপত্রি। ইরমদম অসিবু থুগায়নবা মণিপুরগী লম শরুক ওইরিবা চান্দেলদগী সক্কার মাইল ১.৬৪৩গী শরুক্তা মতম অমদা ইরমদম অসিদগী পীথোকখ্রবা কবো ভেল্লিগা ওন্নবগী ঙসি ইনি দয়া লৈঙাক্না থৌরাংলিবা অসি য়ান্না লাইবক থীবনি। লৈঙাক পায়রিবশিং অমদি মণিপুর মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খনবনি হায়দুনা লৌগনি।

লমদম অসিগী ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টতা খঙহনবা মতম ওইরে। ঙসিফাওবদা ইরমদম অসিবু মচেৎ তানা থুগায়দুনা শায়েন-ঙায়েন্নবগী মওংদা লীশাং শীৎনা চঙশিল্লক্লিবা অসিদগী মহৈরোই খুন্নাইনা লৈবাক মীয়াম য়েলহৌ ফুরুপচাশিংগা পুন্না থেংনমিন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা স্কুলশিংগী ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাঙম্বগী লুচিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ফাইনান্স সেক্রেটরি মাইকেলনা ইমান্যুয়েল ইংলিস স্কুল, সকসেস স্কুল, টেজপুর একাদেমিক কেম্পেইন অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা মহৈরোইশিংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পব্লিক নিংথৌখোঙ, ইম্পিটস থিনুঙ্গৈ, বি বি আর থিনুঙ্গৈ, ষ্টারলাইন থিনুঙ্গৈ, কেরিয়র ফুবালা, জেহোভা থন্নাপোকপীদা ভি পি প্রিকিশ্বর মোইরাংথেমগী লুচিং মখাদা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কোমেট, ঐচ আর দি, লাইফ স্কুল এস দি জে এম হায়রিবা মহৈলোইশঙশিং অসিদা সলাম চঙখোনবা সেক্রেটরি জেনরেল এমসু, ঐচ ক্যুগী লুচিং মখাদা একাদেমি কেম্পেইন পাঙথোকখি। লোয়ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এ দি এল ইংলিস স্কুল, প্রি ইংলিস স্কুল, গ্রেস রিছ একাদেমি হিয়াং লমনচিংবদা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি হুইদ্রোম পুন্সিবনা লুচিংদুনা একাদেমিক কেম্পেইন মখা তানা পাঙথোকখি।

# মমাং চহী খক্তদা সি আর পি এফ ৫৯ সুসাইদ...

*লমায় ১গী মখা...* দ্যুটি মনুংদা সুসাইদ তৌখিবনি। অদুগা লেমহৌরিবা অসিনা ছুটি মনুংদা তৌখিবনি হায়রি।

চাউরাক্লা লাক্ষ ৩.২৫ রোম লৈরিবা সি আর পি এফকি ফোর্স অসি লৈবাক অসিগী ইন্টরনেলগী ওইবা য়ান্না সেন্সিটিভ ওইবা মফমশিং দা ঙাক শেনবগী থবক তৌরি। লৈবাক অসিদা মতম অমদা হেক্তা থোক্লকপা টেরোরিষ্ট এটেক্ট অমদি অতৈ অতোপ্পা শাথিবা থৌদোকশিংদগী ঙাকথোক্লবা অমদি লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেন্দুনা লাকখিবনি। মমাং চহীদা সি আর পি এফকি জৱান ৫৯, ২০২৪ দা ৪৬, ২০২৩দা ৫৭, ২০২২ দা ৪৩ অমদি ২০২১ দা ৫৭ লোম সুসাইদ তৌদুনা শিখি। হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিদা চহী অসিগী জুলাই থাগী য়াওরগা পুন্না সি আর পি এফকি জৱান ২৮১ সুসাইদ তৌদুনা শিখি হায়রি।

# দিমান্দশিং রিকমেন্দ তৌবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন্না...

*লমায় ১গী মখা...* কন্সটিট্যুসনেল স্কোলার, একাদেমিসিয়ান অমদি হৈথোই-শিংথোইরবা এদমিনিষ্ট্রেটর কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থগদবা নুমিৎ নীনিগী কন্সল্টেটিভ মীটিং অসিনা মীয়ামদা লৈরিবা দেমোগ্রাফিক প্রোফাইল, ইলিগেল ইমিগ্রেন্টস অমদি দেমোগ্রাফিক চেঞ্জগী চমন্নবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। দেমোগ্রাফিক প্রোফাইল, পোপুলেসন রেজিষ্টার, সেন্সস, এন আর সি, ইলিগেল ইমিগ্রেন্ট, দেমোগ্রাফিক চেঞ্জগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক কয়া হন্দুনা অমদি ইন্টরপ্রিৎ তৌদুনা মীয়ামদা ৱাখল তাদবা লৈরম্বা অদু নুমিৎ নীনিগী ওইবা তাথোক তাশিন তৌবগী মীফম অসিনা হেন্না ৱাখল তাহনবা ঙম্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিদগী হৌদোক্লিবা মীয়ামদা লৈরিবা চমন্নবা অমদি চিংনবশিং অদু কন্সটিট্যুসন্না য়াবা মওংদা করন্না কোকহনবা ঙমগনি হায়বসিসু খন্নবা মরু ওই। লাক্কদৌরিবা সেন্সস ২০২৭দা য়ুমফম ওইরগা চহী তরাগী চাউখৎ থৌরাংগী প্লান্নিং, ষ্টেট অসিগী রিছোর্স এলোকেসন অমদি মীয়ামগী ওইবা পোলিসিশিং শেমগদৌরিবনি। কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা অশেংবা অমদি অচুম্বা অসিদা য়ুন্ফম ওইরগা লাক্কদৌরিবা ২০২৭দা পাঙথোক্কনি তৌরিবা সেন্সস অসিসু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মণিপুরখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা দেমোগ্রাফিক্কী ওইবা প্রোব্লেম কয়া থোরকপনা মরম ওইদুনা হায় পাৱর কম্মিটি অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মখাদা শেমখিবা লৈখ্রে। মসিনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থোক্লিবা দেমোগ্রাফিক্কী চমন্নবশিং অদু কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিদগী হৌরিবা মীফম অসিদা লিগেল এক্সপার্টশিংনা সেন্সস অমদি এন আর সিগী মতাংদা শুগায়না মীয়ামদা খঙহন্দুনা মখোয়দা লৈরিবা চমন্নবা অদু কোকহনবা মথৌ তাই অমদি লোগী মনুংদা করি ওইবা য়াই হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনসি। মীটিং অসিগী মতুং ইন্না কন্সল্টেটিভ কম্মিটি ওন দেমোগ্রাফিক চেঞ্জ ইন মণিপুর হায়বসিদা কম্মিটি অমা শেমদুনা মীয়ামগী লীদরশিংগা লৈঙাক্না চৎমিন্নদুনা করি থৌদাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বসিসু খন্নমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না খঞে। মীয়ামগী ওইবা ৱাফম লাকপা মতমদা পোলিটিকেলগী খেন্নবা, তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন খেন্নবা অদু থাদোক্লগা পুন্না ইসু খূদিংমক ৱারোইশিন পুরকনবা হোৎমিন্নবা চঙই হায়খি।

অমরোমদা, ঙসিগী কন্সল্টেটিভ মীটিং হৌদোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংনা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার লৈঙাক অনীনা মণিপুরগী লম শরুক খরা ওন্থোক ওনশিন তৌনবগী ৱাফম অসিগী মতাংদা হংবা ৱাহংদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মচিন খুমদুনা পাউখুম করিমত্তা পীরমদনা চৎখি।

মীফম অদুদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা সি এস ওশিংগী থৌমীশিং, ইমা লূপকী থৌমীশিং অমদি অখণ্ড অহৈ কয়ানা শরুক য়াবগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হোম) এন অশোক কুমার, ষ্টেট পোপুলেসন কম্মিস্নর এম মনিমোহোন, মণিপুর ষ্টেট পোপুলেসন কম্মিসনগী সেক্রেটরী ডা. এম ভেতোসু শরুক য়াখি।

# ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিনবা ...

*লমায় ১গী মখা...* এৱেরনেস কেম্পেন অসি হৌদোকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মতম অমদদি নিষা হায়বসি নুপা খক্তনা চানরম্মী অদুমকপু হৌজিক্তি চাওখৎলক্লিবনি হায়দুনা নুপীশিংসু য়াওনা চাবা অসিনা হান্নদি ৫০ মাঙলম্বা অদু হৌজিক্তি ১০০দা ১০০ পুন্না মাঙমিন্নরক্লি। মরম অদুনা ঙসিদগী হৌদুনা মফম মফমদা চৎতুনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা নিষাগী ইপাক্তা চঙশিন্দনবা এৱেরনেস কেম্পেইন অসি তৌরগনি। অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কসু পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। অমরোমদা চৎলিবা থা অসিমক্তসু এয়ারপোর্টতা য়াম্লবা য়ু ফাবা হায়বসি লমদম অসি নিষাগী ইপাক্তা কয়ামুক ইরাক্লবগে হায়বদু মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা খঙহন্নিংবা অমনা, চপ মান্নবা মওংদা অঙাংশিংসু ময়াই কাবা চীঙাক পীজ দবা হায়বসি লৈবাক নীংবগী লৈবাক কন্নবগী থবকনি হায়না য়াংতক ওইনা লৌবদগী খরা কুপশিন্না লৌদুনা কংলৈ খুন্নাইবু য়েক্লবগী মখুৎতগী কনবনি, নেসনেলিয়েষ্টিক দ্যুতিনি হিষ্টোরিকেল রেস্পোন্সিবিলিটিনি খনবিয়ু হায়খি। নহাশিংনা ড্রগ চাদবা হায়বসি লৈবাক নীংবনি। লৈবাক কন্নবগী থবকনি। য়েক্লবনা ঐখোয়বু ড্রগ পীজদুনা মুথৎনবা হোৎনরে। মসিদগী ঐখোয় পুন্না কনমিন্নবা মথৌ তারে হায়খি।

ঙসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফেয়ারগী দিপ্যুতি দাইরেক্টর এল ধনেশ্বর সিংহ, কেথোলিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল ইম্মানুয়েল কোলি, ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম জয় খুমন, ইউ জর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মাইবম জোগেস, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান্স ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী সৌগ্রাকপম সুমতি অমদি নেসনেলিষ্ট কল্লেক্টিভ মণিপুর (এন সি এম)গী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম থোইথোইবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# ব্লোকেদ হন্দোক্তুনা ফ্রি মুভমেন্ট ...

*লমায় ১গী মখা...* হীদাক লাংথক্কী অৱাৎপা লৈরকপনা অনাবশিংগী লায়েং চত্থবদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহনবতা নত্তনা নোংমগী চারা তাল্লিবা মীওইশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লহল্লে। হায়ৱেশিংনা চখোক চৎশিন য়াদবা অমদি ব্লোকেদনা মরম ওইরগা মথৌ তাবা পোৎচৈশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলক্তুনা চাওনা চৈথেং পীরে। মরম অদুনা ইকোনোমিক অমদি কাউন্টর ব্লোকেদকী চঙশিল্লিবা খোঙজং হন্দোক্তুনা ষ্টেট অসিগী হায়ৱেশিংদা মীয়াম অমদি পোৎচৈ পুবা গাড়িশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎপা য়ানবা হোৎনবদা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিং অমদি মরী লৈনবা পূম্নমক্না অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নসি। লৈঙাক্লসু ভিক্টিম ওইরবশিংদা অচুম্বা ৱায়েল অদু ফংহল্লু হায়খি।

# বি এস এফ থমজিনবগী মায়োক্তা মহৈরোইশিংনা...

*লমায় ১গী মখা...*

ছো লোনশিনখি। লোয়ননা কোলেজতা বি এস এফনা লৈরিশিল্লবা অদু হন্দোপীখো হায়দুনা বি এস এফনা লৈরিবা মফম অদুদা খোল্লাউ লাউশিনবগা লোয়ননা মেমোরেন্দম অমসু বি এস এফতা পীশিল্লবা মতুংদা বি এস এফনা ফাওদোক ফাওজিন তৌরিবা অনীশুবা গেটসু ছো লোনশিনখি। পাউ অদু তাবগা নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা হৈঙাং পি এসকী পুলিস পর্সোনেলশিং লাক্তুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংগা ৱারি শান্নখি।

চত্থখিবা খোঙজং অদুগী মতাংদা লিবরেল কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম পুর্ণচন্দ্রনা হায়, মহৈ তম্ফমশঙদা মিলিটরি কেম্প অমগুম সিক্যুরিটি পর্সোনেলশিং থমজিল্লকপা অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। কয়ারক হন্না দিপ্যুতি কম্মিস্নার ইম্ফাল ইষ্ট দি সি য়াওনা মরী লৈনবশিংদা বি এস এফ লৈরিবা অসি হোংদোকপীনবা চেরোল পীশিনখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা তাবিদনা লৈরি। নীং তন্না মহৈ তম্বা ফংলক্তবা, অকি অখণ্ড ওইরকপা কয়া অসিদগী কোলেজগী মহৈরোইশিংনা গেট ছো লোনশিন্দুনা ঙসিদগী বি এস এফশিং হোংদোক্ত্রিবা ফাওবা কোলেজ অসি সটদাউন চত্থরে। অথুবদা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিং অসি হোংদোক্লবা শীন্দ্রবদি গ্রেজুয়েসনগী এগজাম সেন্টর কোলেজ অসিদা তারিবা অসিসু এগজাম পাঙথোকপা য়ারোই, অথিংবা থমগনি হায়খি।

খোঙজং অদুদা কেম্পসদা লাম্মী থম্বীগনু, কোলেজ কেম্পস মনুংদগী সেন্ট্রেল ফোর্স খুদক্তা লৌথোকউ, হোষ্টেল হায়বসি ঐখোয়গী য়ুমনি মিলিটরি কেম্প নত্তে, বি এস এফ হোংদোকহন্দ্রবদি এগজাম সেন্টর অথিংবা থম্লে হায়বনচিংবা প্লেকার্দ অমদি খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

# লৈখোম পৈশিনফম ওন্থোক্লবা এন আই টিগী...

*লমায় ১গী মখা...* মণিপুরগী পর্মিনেন্ট কেম্পস অমা শান্নবা লম পীরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুমক্না চমন্নবা পোকহল্লে। কুমজা ২০০৯দা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা হৌজিক লৈরিবা এন আই টি মণিপুর অসি লিংখৎখিবনি। মতম অদুদা লৈরম্বা লৈঙাক্না ইন্সটিট্যুট অসিগীদমক একর ৩৪১ রোম হেনবা লম পীখিবা লৈখ্রবনি। লম্ফেলদা হৌজিক ৱাটর বোদি শেম্বগী থবক পায়খৎলিবা অসিগী লৈখোম লৈনাংশিং অদু থন্নবা মতিক চাবা মফম অমা থম্বা হায়বসি তঙাইফদবনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ৱাটর বোদি শেন্নবা হোৎনরকপদা লৈখোম লৈনাং নীংথিনা পৈশিন্নবা মফম পীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংনা খঙহল্লকপা লৈখি। মরম অদুনা লম্ফেলগী ৱাটর বোদি শেম্বগী লৈখোম লৈনাংশিং অদু মফম চানা পৈশিনবগী থবক পায়খৎনবা প্রোজেক্ট অসিগী মনুং দা তোখায়বা শেনফম শোয়দনা কায়থোক্লমগনি। হায়রিবা শেনফম অদু কনাগুম্বা খরনা লৌথোক্লগা লৈখোম লৈনাং গাড়িদা হাপ্তুনা পুরগা মফম চানা পৈশিনবগী মহুৎতা এন আই টি মণিপুর কেম্পসতা পৈশিন্নবা হোৎনরব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে। এন আই টি মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা কেম্পস অসি ঈশিং থুমজিনবগী খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লিবা অসি লম্ফেল ৱাটর বোদি শেন্নকপদগীনি। মমাঙদা য়ান্না চাওনা ঈশিং থুম্বগী ৱাফম লৈবা থেংনখিদে। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা এন আই টি মণিপুগীদমক লম পীখিবা অদু সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী চৎনা কাংলোন চপ চানা ঙাক্তুনা থবক পায়খৎখিবনি। মসিদা নত্তনা স্কুল অমদি মেদিকেল ফেসিলিটি নক্লা লৈবগী খুদোংচাবা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্তুনা খ্বাইদগী মফম চাবা য়েংলগা ইন্সটিট্যুট অসিগী মফম পীখিবনি হায়খি।

# থোক্লিবা ইসু ময়াম মরকসিদা লৈঙাক্কী ...

*লমায় ১গী মখা...* থৌদাং য়ান্না ট্রান্সপরেন্সি ওইনা মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্লগনি। লোয়ননা লেন্দ রেকোর্দ অমদি লমগী ওইবা ইনফোর্মেসনশিং ওনলাইনগী খূথাংদা য়ান্না লায়না ফংবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা হায়, লৈঙাক্কী লোইশঙশিং অমদি মীয়ামগী মরক্তা হেন্না ট্রান্সপরেন্সি হেনগৎনবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। লৈঙাক্না মীয়ামগী ওইবা তৌফম থোকপা থৌদাংশিং মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙম্নবগী লম্বী অমসুনি। ঙসিগী খোঙথাং অসিনা ঐ ঐগী লমশিংগী মতাংদা হেন্না শুগায়না খঙজবা ঙম্লগনি। দিজিটেল ইন্দিয়া অমা ওইনবগীদমক লৈঙাক্না লৌরকপা থৌদাংশিংগী মনুংদা মসিসু অমনি। ঙসি লোঞ্জ তৌরিবা ওনলাইন পোর্টেল অমসুং মোবাইল এপ্প অসি নীংথিনা শীজিন্নদুনা দিজিটেল ইন্দিয়া ওইনবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লেন্দ রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরী টি ঐচ কিরনকুমারনা লেন্দ রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন তৌবা চাদা ৯৮ লোম লোইশিল্লক্লে। লোয়ননা লম লৈবা য়োনবগী রেজিষ্টর দীদ অমদি তোঙান তোঙানবা সর্ভে তৌদুনা রেকোর্দশিং কম্প্যুটরাইজ তৌবগী থবকশিং অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা পোর্টেল ৮ অমদি এল আর মণিপুর মোবাইল এপ্লিকেসন অদু শেমগৎনবা হোৎনবদা নেসনেল ইনফোর্মেটিভ সেন্টর (এন আর সি) অমদি গ্লোবিজ ৱেভ সোলুসন প্রাইভেট লিমিটেদনসু অচৌবা থৌদাং লৌখি।

# চাওখৎপা খূন্নাই অমগীদমক হেন্দলুম সেক্টর ...

*লমায় ১গী মখা...* সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা নেসনেল হেন্দলুম দেগী থৌরমদা ৱাফম অসি গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা হায়, নেসনেল হেন্দলুম দেগী নুমিৎ অসিনা লাকপদা ষ্টেট অসিগী ফিশারোইশিংনা লৌরিবা থৌদাং ইকায় খুন্নবা খক্তা নত্তনা মণিপুরগী হেন্দলুম সেক্টর য়োকখৎনবা অমদি মশক তাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিমংক্কী ফিরেপ হেন্না চেৎশিনহনবা মথৌ তাই। মণিপুরগী কলচর মশক তাকপদা নত্তনা হেন্দলুম সেক্টরদা শেন্মীৎলোনগী অচৌবা পোটেন্সিয়েল অমা লৈরি। মরম অদুনা লমদম অসিদা পুথোক্লিবা হেন্দলুমগী পোথোকশিং হেন্না কালিটি লৈহন্দুনা ব্রান্দিংগী থবক থৌরম ময়েক শেংনা পায়খৎতুনা ইনফ্রাষ্টকচরগী অওনবা পুরক্তুনা মার্কেট অমদি দিজিটেলগী প্লেটফোর্মদা হেন্না মশক তাক্লবা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। মসিদা নত্তনা লমদমসিগী পুথোক্লিবা হেন্দলুমগী পোথোকশিংগী অশেংবা মশক অদু মাঙহন্দনা থন্নবা জি আই টেক্কী মতাংদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। লোয়ননা লমদমসিদা পুথোক্লিবা হেন্দলুমগী প্রদক্টশিং মালেম অমদি লৈবাক অসিগী কৈথেলদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদসু থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। নুপীশিংনা মাঙজিল থাবা চাওখৎপা মণিপুর খূন্নাই অমা ওইহন্দুনা লমদমসিগী মমল য়াম্লবা কলচরেলগী লিগেসি অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা মীপুম খূদিংমক্না হেন্দলুম সেক্টরবু শৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থল্লদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা হায়, ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ফিশা-লোনশাগী চৎনবী অসি মণিপুরদা অদুমক থেংনদুনা লাক্লি। লমদমসিগী নুপী কয়ানা ফিশা-লোনশাগী শিনফমদা লৈদুনা মচা-মশুশিংবু মপুং ফাবা মী অমা ওইনবা হোৎনবদা কথোকপগা লোয়ননা থৌদাং লৌরি। ঐহাকপু পোকপা ইমানা ফি শাদুনা ইমুং-মনুং পুবগা লোয়ননা লৌরমখিবা থৌদাংনা ঐহাক ঙসি লৈরিবা ফিভম অসি য়ৌরকপা ঙম্লিবনি। মণিপুরদা ফিশা-লোনশাগী থবক তৌরিবা অসি নুপীনা মশিং হেল্লবসু নুপাসু অদুমক শরুক য়ারি হায়বা খঙলে। মণিপুরগী হেন্দলুম হেন্না চাওখৎহন্দুনা শেন্মীৎলোন্দা অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা নুপী ওইবীশিংগী প্রদক্ট খক্তা নত্তনা নুপাশিংগী হেন্দলুমগী পোথোক পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

'থ্রেদস ওফ ট্রেদিসনঃ ৱিভিং কলচর থ্রু হেন্দলুমস' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা নেসনেল হেন্দলুম দেগী থৌরম অদুদা গভর্ণরনা মীওই ৪দা কুমজা ২০২৫-২০২৬কী আউটষ্টেন্দিং হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসিয়ান ষ্টেট এৱার্দ লান্থোক্তুনা ইকায় খুন্নখি। এৱার্দ লান্থোক্তুনা ইকাই খুন্নখ্রবশিং অদুদি হেন্দিক্রাফটতা এম মোহিনি, মোম্পাকফিদক ময়েক শাবী পাঙ্গৈজম তমু, লশিং ফি শাবী তোংব্রম রিনা অমদি ফৈগাও শাবী গোলমৈ বমদিনলিয়ুনি। লোয়ননা নেসনেল হেন্দলুম দিজাইনর্স কনক্লেব ২০২৬তা বেষ্ট ক্লাষ্টর দিজাইনর এৱার্দ ফোর হোম ফর্নিশিংগী ৱিন্নর ওইরকখ্রবশিংবুসু তরান্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা 'থ্রেদস ওফ হেরিটেজ' হায়বা অতেনবা দোক্যুমেন্টরি ভিদিও অমসু উৎতুনা 'থ্রেদস ওফ হেরিটেজঃ টেদিস্নেল এন্দ জি আই-টেক হেন্দৱুভন ষ্টোলস ওফ মণিপুর' হায়বা কোফি টেবল বুক অমদি হেন্দলুমগী দেটোবুক অমসু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনিত কুমার গোয়েল, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি ডা. অনুরাগ বাসপাই, পদ্মশ্রী এম মুক্তামনি, এন আই এফ টি সিল্লোংগী প্রোফেসর অরুনিতি দাস, নেসনেল এৱার্দি ইন্দিরা চনু য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ওর্গানিক্কী পোখোক মাঙজিল থানা...

*লমায় ১গী মখা...*

ফগৎহন্নবা দিপার্টমেন্টনা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। মিসন ওর্গানিক্কী স্কিম অসিগী মখাদা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনি ৭৬ রোম শেমদুনা ওর্গানিক্কী লৌউ-শিংউ অমদি মার্কেটিংগী লমদা হেন্না পাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা লৌমীশিংদা স্কিম অসিনা দি বি টিগী খুথাংদা শেনফম কয়া কায়থদুনা লৌউ-শিংউগী মথৌ তাবা পোৎলম কয়া অমসু ফংহল্লি। লমদমসিগী লৌমীশিং অমদি লৌউ-শিংউগী লমদা হেন্না খূৎমাং চাওশিন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা কলেক্সন সেন্টর ১২৬, ইনপুট দিলিভরি য়ুনিট ৯৮, ৱেয়রহাউস ২২, ট্রান্সপোর্ট ভেহিকল ৬৪, প্রোসেসিং য়ুনিট ৮২, ভর্মিকম্পোজ য়ুনিট ১৪ অমদি কোল্ড রুম ৩ থমদুনা চাওখৎ খোঙথাং কয়া চঙশিল্লি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী ওইনা ওর্গানিক ফার্মিংগীদমক লম হেক্টর ১৭,৫৬৩ সার্টিফাইদ তৌবা লৈরে। কুমজা ২০১৬তগীনা ২০২৬ ফাওবদা এম ও ভি সি দি এন ই আরগী মখাদা ট্রেনিং অমদি কেপাসিটি বিল্ডিংগী প্রোগ্রাম লিশিং ২৬ রোম হেন্না পাঙথোকপসু লৈখ্রে। মণিপুরগী তোপ-তোপ্পা য়েলহৌ পোখোকশিং মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপগী খোঙথাং হেন্না খূৎমাং চাওশিন্নবা দিপার্টমেন্টনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মণিপুরগী চাকহাও, তমেংলোংগী কোল্লা অমদি সিরারাখোঙ মেরোক্কী ওইনা জিওগ্রাফিকেল আইদেন্টিকেসন (দি আই টেক) ফংবা লৈখ্রে। মসিদা নত্তনা মণিপুরগী ওর্গানিক্কী ব্রান্দ লোঞ্চ তৌদুনা মীয়ামদা মশক তাকপদা নত্তনা দিমান্দ হেনগৎলক্লবগী খোঙথাং কয়া চঙশিল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মার্কেটিংগী লমদসু য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটসকী আসমান্দা আউটলেট হাংদোকপা য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মণিপুরগী ওর্গানিক পোখোকশিংগী রিটেল আউটলেট ৭ হাংদোকপসু লৈরে। প্রদক্ট ২৫ রোমসু ইন্টরনেসনেল বারকোদকা লোয়ননা এক্সপোর্ট তৌনবগীদমক শেম শাবা লৈরে। দিপার্টমেন্ট অসিনা লমদমসিগী ওন্টরপ্রেনিয়র কয়া অমসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙলি। মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর (এম আই দি ঐচ)কী মখাদা দিপার্টমেন্ট অসিনা নর্সরিজ ১৮ হাংদোকপা য়াওনা লম হেক্টর ৫২৫ রোমদা উহৈ-ৱাহৈগী পাম্বীশিং থাবা অমদি হেক্টর ১৯০০ রোমদা মনা মশিংগী পোখোকশিং থাদুনা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। লোয়ননা লৌমীশিংদা ঈশিংগী অৱাৎপা মায়োক্লহন্দনবা দিজল পম্প সেট য়েন্থোকপা য়াওনা ফার্মগী পুখ্রি ১১৫ রোম তৌবা য়াওনা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। প্রধান মন্ত্রি ফসাল বিমা য়োজনা (পি এম এফ বি ৱাই)গী মখাদা দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংনা মহৈ মরোং মাঙবগী চৈথেং মায়োক্লরকপদা ইন্সুরেন্সকী খূদোংচাবা পীনবা খোঙথাং কয়া লৌকৎপসু লৈরি। লৌমীশিংনা পুথোকচবা পোখোকশিং পৎতুনা মাঙবদগী কন্নবা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোল্ড ষ্টোরেজ ১১ শেমগৎপা য়াওনা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি।

মোদেল ইন্টিগ্রেটেদ হোর্টিকলচর সেন্টর অমা মাওদা শেমগৎনবা প্রোপোজেল য়াওনা ওর্গানিক্কী পোখোকশিং হেন্না পুথোকপা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। মসিদা নত্তনা পোপী থাবনা চৈথেং কয়া মায়োক্লহল্লবা মফমশিংগী মীয়ামদসু অতোপ্পা লৌউ-শিংউ পথাপ্পা মহুৎ শীঞ্জলহন্দুনা অতোপ্পা শেন্থোক লম্বী অমা য়াৎনবগী মীৎয়েং থম্বসু লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মহৈরোই অমনা ৮ কাপ্তুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* থৌদোক অদুদা মীওই ১৫ রোমসু অশোক অপন নংখি। পুলিসকী রিপোর্টক মতুং ইন্না থাইলেন্দগী বেঙ্কোক মনা নক্লা লৈবা দেবসিরিন স্কুলদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহৈরোই অদুনা ৯ এম এম পিষ্টোল শীজিন্নদুনা মীওই ৮ অদু হাৎখিবনি। মহৈরোই অদুনা মীওই ৮ অদু করিগীদমক হাৎখিবনো হায়বগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু লাইরিক তম্বদা অমদি একজামগী টেন্সন লৈবা নত্রগা ইমুং-মনুংগী অকনবা য়েংশিনবগী থৌওং নত্রগা ভিদিও গেম টেক্স মপুং ফাবা ঙমদবনা মরম ওইরগা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইগনি হায়না পান্নরি।

# পুলিস মোর্দনাইজেসনগীদমক ...

*লমায় ১গী মখা...* গাড়ীনচিংবগী টেক্নিকেল ট্রাইয়েলদা থেংথবা। মসিনা মরম ওইরগা পোৎ-চৈ লৈবদা থেংখিবা অসিনচিংবা মরম কয়া য়াওরি। লোয়ননা ওফিসিয়েল ওইবগী চত্থগদবা ফোর্মেলিটি ওইবা থবক থৌরমশিং মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবগীনি হায়রি।

# গাড়ী ৫২৭ লোম ...

*লমায় ১গী মখা...* মরম ওইরগা মফম মফমদা ব্লোকেদনচিংবা অথিংবা কয়া লৈবদগী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা হৌখিবা থা খরা অসিদগী কনভোই তৌদুনা গাড়ী চখোক চৎশিন তৌহন্দুনা লাকখিবনি।

# সনাজাওবদা এন আর আই...

*লমায় ১গী মখা...* পাঙথোকখিবা থৌরম অমনা মহাক্না ইন্দিয়ান দাইস্পোরা অমা ওইনা ব্যুজিনেস, ওন্ট্রপ্রেন্যুরসিপ অমদি কম্ম্যুনিটি দিভলপমেন্টতা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা মনা অসি পীরকখিবনি।

থোইদোক হেন্দোক্না মহাক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ, এম আই এম এসতগী এম বি এ পাস আওট তৌখিবা মীশক অমনি হায়রি।

# মৈ মুৎকনি ...

*লমায় ১গী মখা...* এম এস পি দি সি এল সেন্ট্রেল সব দিভিজন নম্বর ২গী মেনেজর মনিকান্ত পোৎশঙবমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, ফিদর অসিনা মৈ পীরিবা থাংমৈবন্দ, এসেমব্লী সেক্রেটরিয়েট, খুয়াথোং, ওল্ড লম্বুলেন্দ, ইম্ফাল ফায়র ব্রিগেট, পোলোগ্রাউন্দ, পাউনা বজার, ইমা কৈথেল, জি এম হোল, বি টি রোদ অমদি মেজোরখুল এম এল এ ক্কার্টরনচিংবা মফমশিংগী ওইনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ মুৎকনি। মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনগদৌরিবা অসিগীদমক্তসু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# দুরান্দ কপ মনুংদা গাড়ী

*লমায় ১গী মখা...* হুম্বগী থবক চত্থবদা গাড়ী হুরানবদা চেন্নবনি হায়বা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং য়াংবী লৈকাইদগী নৱাজ খান (২৭) কৌবা মীশক অমা হোন্দা এক্টিভ অমগা কোন্ননা ফাবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা বোক্সিং এরেনাদগী মাঙখিবা হোন্দা এক্টিভা অদু লিলোং এরিয়াগী মফম অমদগী ওগষ্ট ৬তা ফংবা ঙমখি হায়রি।

# এক্স সি এম বিরেনগীনি হায়বা ওদিও ক্লিপ...

*লমায় ১গী মখা...*

সোলিসিটর জেনরেল আইসরিয়া বাতিনা হায়রিবা ওদিও রেকোর্দিং অদু নীংথিনা শেমদোক শাদোক্লে হায়বা রিপোর্ট লাক্লবনিনা রিট পিটিসন অসি দিসমিস তৌবীয়ু হায়বা ৱাফম থমখি।

অমরোমদা, পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট প্রসান্ত ভুসননা হায়, ত্রুথ লেবকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না হায়রিবা ওদিও রেকোর্দিং অসি হান্নগী সি এম বিরেনগী খোঞ্জেলগা চাদা ৯৩ মান্নে হায়বগী রিপোর্ট লাকখিবা লৈবনা মসিদা অদুমক লেপকনি হায়বা ৱাফম থমখি।

ওদিও রেকোর্দিং অদুগী মতাংদা এন এফ এস য়ুনা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদু পার্টি অনীমক্তা সিল্ড তৌদুনা খূৎশিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা রিপোর্টশিং অদু পব্লিক দোমেনদা থমদনবসু বেঞ্চ অদুনা মখা তাখি।

পনবা য়াই, ওদিও ক্লিপ অসি অশেংবমক্কী নৎত্রগা শেমজিন্নবা হান্নগী সি এম বিরেনগীরা হায়বসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা চ্যেক তৌরকপা চহী অমরোম হেঞ্জিল্লক্লে। অহানবদা সি এম এস এল গুৱাহাতিদা এগজামিন তৌখি। মথংদা কোর্টনা ওর্দর তৌদুনা এন এফ এস য়ুদা নৌনা টেষ্ট তৌখি। লোয়ননা মিনিট ৪৮ শাংবা ওদিও ক্লিপ অদু কোর্টনা এন এফ এস য়ুদা চ্যেক তৌনবা খঙহনখি। অদুবু ওদিও ক্লিপ অসি শেমদোক শাদোক্লবা অমনি হায়না এন এফ এস য়ুগী রিপোর্ট লাকখি।

# পাক, সাউদি, টর্কিনা দিফেন্স দিল সহি তৌনখ্রে

মক্কা, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সি):

পাকিষ্টান, সাউদি অরাবিয়া অমসুং টর্কিনা ইরাই নুমিৎতা 'মক্কা জোইন্ট দিফেন্স এগ্রীমেন্ট' কৌবা মরুওইবা দিফেন্স দিল অমা সহি তৌনখ্রে। দিল অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক ৩ অদুগী মনুংদগী ১দা তৌরকপা এটেক অমা মখোয় পূন্নমক্কী মথক্তা তৌরকপা এটেক অমনি হায়না লৌগনি। মসিনা লৈবাক ৩গী মরক্তা দিফেন্সকী তেংবাং পনবগী মওং পূন্নমক হেনগৎহল্লগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

সাউদি অরাবিয়াদা সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমান, টর্কিশ প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়ীপ এরদোগান অমসুং পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফকগী মরক্তা উন্নখিবা অমদা এগ্রীমেন্ট অদু সহি তৌনখি।

শগোলশেল নুমিৎতা সারিফনা আর্মি চীফ ফিল্ড মার্সেল অসিম মুনির য়াওনা অৱাংবা থাক্কী দিলিগেসন অমগা লোয়ননা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা সাউদি অরাবিয়াদা থুং খিবনি।

দিল অসিনা থাও মরাং কায়বা সাউদি আরবিয়া অমসুং ন্যুক্লিয়ার–পৱার পাকিষ্টান লোয়ননা নেটোগী অনিশুবা খ্বাইদগী চাওবা আর্মি লৈরিবা অমসুং থুনা চাওখৎলক্লিবা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিজ লৈরিবা টর্কিবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্নহল্লে।

---

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**

IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 329/SDC/IW(C)-I dated, 06/08/2026

1) Longjam Pradip kumar Singh S/O L. Kumar Singh of Singjamei Chingamathakhong Chongtham Leikai.
2) Longjam Jebon Singh S/O Kumar Singh of Haobam Marak Keisham Leikai.
3) Longjam Romio Singh S/O Kumar Singh
4) Longjam Bobby Meitei S/O -do- of -do-
5) Longjam Ranjana Devi W/O L Nanda Singh of -do-
6) Longjam Ranjan Singh S/O L. Kumar Singh of -do-

. -Petitioners

-Versus-

(Late) Longjam Nandakumar Singh S/O Kumar Singh of Haobam Marak Keisham Leikai. O.P. (s)

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Lamphel, the 06-08-2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Longjam Nandakumar Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 46-Naoriya Pakhanglakpa, অরিবা পাট্টা নম্বর 384 অনৌবা পট্টা নং 483 দাগ নং 281 অমসুং এরিয়া 0.085000 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner শিং মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Sus/08

---

**IN THE FAMILY COURT, IMPHAL EAST, AT LAMPHELPAT**

*MEMO NO. FC/IE/2026/142 / DT. 06-08-2026*

**MAT. (DECLARATORY) SUIT NO. 28 OF 2026**

Hidangmayum Nirmala Devi, aged about 40 years, D/O (Late) Hidangmayum Yaima Sharma, a resident of Kongba Laishram Leikai, P.O. Singjamei & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur.

**....Plaintiff.**

**-Versus-**

1. Hidangmayum Ranjit Sharma, aged about 48 years, S/o (Late) Hidangmayum Yaima Sharma, a resident of Kongba Laishram Leikai, P.O. Singjamei & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur.
2. Hidangmayum Arnamai Devi, aged about 39 years, D/o (Late)Hidangmayum Yaima Sharma, a resident of Kongba Laishram Leikai, P.O. Singjamei & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur.

....**Defendants.**

**SUMMON**

To,

All the interested persons.

Whereas the above named plaintiff has filed a petition against you under Section 34 of the Specific Relief Act read with Section 7 of the Family Court Act, 1984 praying to declare the status of the plaintiff as unmarried daughter of late Hidangmayum Yaima Sharma.

Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions on 19/08/2026 at 10:30 a.m. of file written statement, if any, failing which the matter will be heard and determined without further notice.

Sign and sealed by the order of this Court on this 6th day of August, 2026.

By: Ayam Romesh Singh (Advocate).

SL/5437/07&08

**Sd/-**
Sheristadar
Family Court, Imphal East
Manipur

---

**Appointment of General Manager, Deputy General Manager, Assistant General Manager, Public Relation Officer & Assistant Manager in the Investor Education and Protection Fund Authority, New Delhi.**

The Investor Education and Protection Fund Authority, Ministry of Corporate Affairs, Government of India, New Delhi invites applications. for the following post on deputation basis, in the Investor Education and Protection Fund Authority, a statutory body established under Section 125 of the Companies Act, 2013. The post is based at Delhi.

| Name of Post | Scale of Pay (7th CPC) |
|---|---|
| General Manager | Level- 13 |
| Deputy General Manager | Level- 11 |
| Assistant General Manager | Level- 10 |
| Public Relation Officer | Level- 10 |
| Assistant Manager | Level- 8 |

2. This is an open vacancy circular. Once sufficient number of applications from the eligible candidates are received in the Authority, the same shall be considered for interview / selection.

3. Applications in the prescribed format, duly completed, super-scribing the vacancy circular number & date must be sent to the **Deputy General Manager (Admin), IEPF Authority, Ground Floor, Jeevan Vihar Building, 3, Parliament Street, New Delhi- 110001.**

4. For application format, eligibility conditions, requisite qualifications,other details and terms & conditions for service, please log in to Ministry of corporate Affairs' website **www.mca.gov.in** or **www.iepf.gov.in**

CBC 07110/11/0002/2627

---

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**NOTIFICATION**

**Imphal, the 6th August, 2026.**

**No.1/Childline/ICPS(SW)2017-18(Pt-1):** Applications are invited from intending candidates for engagement of 148 (one hundred and forty-eight) posts of contractual staff for setting up Child Helpline 1098, a child helpline services in Manipur under Mission Vatsalya in Social Welfare Department, Government of Manipur.

All willing candidates shall submit Online Application Form on Department's Website www.socialwelfare.gov.in on or before 11:59 P.M. of 25/08/2026 (Submission of Online Application Form shall commence from 07/08/2026)

**A. Child Helpline WCD Control Room:**

| Sl. No. | Name of the Post | No. of Post | Remuneration as per SoP of Child Helpline | Reservation | Qualification as per SoP of Child Helpline |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Helpline Administrator | 1 | Rs. 34,755/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 35,085/- | UR - 1 | Any person having a Masters in Law/Social Work/Social Science/Psychology with at least 5 years experience of working on child related relevant domain in an administrative set-up with a Government or Non-Government Project/Programme and preferably with at least 1-year experience of counseling either with or outside the same set-up. She/he should be preferably a resident of the local community so that human resource and expertise is utilized for effective functioning of the centre. |
| 2 | IT Supervisor | 1 | Rs. 27,804/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 28,134/- | UR - 1 | Any Graduate from a recognized University with at least Diploma in computers/ IT etc. with a minimum of 3 years experience in data management, process documentation and web-based reporting, video conferencing at State or District Level with Government or Non-Governmental/IT Base Organisations. |
| 3 | Call Operator | 12 | Rs. 18,536/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 18,866/- | UR - 7<br>ST - 3<br>OBC(M) - 2 | Any Graduate from a recognized University with good communication skills in Hindi, English and regional languages and having requisite qualifications and experience of working on telecom / web-based relevant systems. |
| 4 | Multi Purpose Staff | 3 | Rs. 14,564/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 14,894/- | UR - 3 | 10th Pass from a recognised board/Equivalent Board. Good Communication Skills. Weightage for experienced candidate. |
| 5 | Security Guard/Night Guard | 3 | Rs. 10,000/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 10,330/- | UR - 3 | 10th Pass from a recognised board/Equivalent Board. Good Communication Skills. Weightage for experienced candidate. |
| | Total | 20 | | | |

**B. Child Helpline Unit at DCPUs:**

| Sl. No. | Name of the Post | No. of Post | Remuneration as per SoP of Child Helpline | Reservation | Qualification as per SoP of Child Helpline |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Project Co-ordinator | 16 (1 each for every District) | Rs. 32,000/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 32,330/- | UR - 10<br>ST - 4<br>OBC(M) - 2 | Post Graduate degree in Social Work/Sociology/Child Development/Human Rights/Public Administration/Psychology/ Psychiatry/Law/Public Health/Community Resource Management from a recognized University **Or** Graduate in Social Work/Sociology/Child Development/Human Rights/Public Administration/Psychology/ Psychiatry/Law/Public Health/Community Resource Management from a recognized University with 2 years experience in project formulation/implementation, monitoring and supervision in the preferably in the field of Women and Child Development/Social Welfare. Proficiency in Computers. Preference may be given to Personnel of Working in Emergency Helplines. |
| 2 | Counsellor | 16 (1 each for every District) | Rs. 20,590/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 20,920/- | UR - 10<br>ST - 4<br>OBC(M) - 2 | Graduate in Social Work/Sociology /Psychology /Public Health/Counselling from a recognized University/PG Diploma in Counselling and Communication. Experience: At least 1 year of working experience with the Govt./NGO preferably in the field of Women and Child Development. Proficiency in Computers. Preferences may be given to personnel of working in Emergency Helplines. |
| 3 | Child Helpline Supervisor | 48 (3 each for every District) | Rs. 20,590/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 20,920/- | UR - 26<br>ST - 14<br>OBC(M) – 6<br>OBC(MP) – 2 | Graduate preferably in B.A. in Social Work/Computer Science/Information Technology/Community Sociology/Social Sciences from a recognized University /Weightage for experienced candidate proficiency in Computers. Preference may be given to personnel having experience of working in Emergency Helplines. |
| 4 | Case Worker | 48 (3 each for every District) | Rs. 19,000/- p.m. + Rs. 330/- p.m. insurance =Rs. 19,330/- | UR - 26<br>ST - 14<br>OBC(M) – 6<br>OBC(MP) – 2 | 12th Pass from a recognised board/Equivalent Board. Good Communication Skills. Weightage for experienced candidate. Preference may be given to Personnel of working in Emergency Helplines. |
| | Total | 128 | | | |

1. Examination Centres:

The Examination Centres for all posts would be at:

i. Churachandpur
ii. Imphal
iii. Kangpokpi
iv. Senapati
v. Ukhrul

2. Age Limits: 18 years to 38 years. Upper age limit is relaxable for Govt. Servants as per rules. 5 yrs. relaxation for SC & ST candidate (i.e. 43 yrs.) & 3 yrs. relaxation for OBC Candidates (i.e. 41 years). 10 years relaxation for Persons with Disabilities as on last date of form submission as mentioned above i.e. 25/08/2026
**There shall be one time age relaxation of 2(two) years to applicants above the upper age limit.**

3. Payable Fees: Rs.500/- for UR and Rs. 300/- for ST/SC/OBC. Fees shall be exempted for PwD candidates. Fees shall be paid online through the payment gateway of the online application portal.

4. 1 (one) post each for the following post will be reserved for PwD in the following manner and reservation will be horizontal in nature:

| Sl. No. | Name of Post | No. of post reserved for PwD/nature of PwD |
|---|---|---|
| 1 | Project Co-ordinator | 1 (LD) |
| 2 | Counsellor | 1 (LD) |
| 3 | Child Helpline Supervisor | 2 (1 for LD and 1 for VI) |
| 4 | Case Worker | 2 (1 for LD and 1 for HI) |

5. Eligible candidate shall download Admit Cards from Department's official website www.socialwelfare.mn.gov.in

6. The above notification is issued with concurrence of competent authority vide FD U.O. No. 14/2026-2027/FD(PIC) dated 24.04.2026 and DP O.M. No. RRDP-30/1/2021-DP-DP dated 17.07.2026 and Govt. letter No. CSSS-204(4)/3/2023-SW-SW dated 6/08/2026 and with the approval of the Governor-in-Council for relaxation of ban on direct recruitment on contractual basis.

7. Disqualification:
   i. Canvassing by a candidate directly or indirectly in connection with the recruitment shall be liable to disqualification of the candidate.
   ii. Any candidate who, on verification at any stage of the recruitment process, does not fulfil any of the eligibility conditions, will be disqualified.
   iii. Any candidate with criminal record, if any, will be disqualified at any stage (even after completion of recruitment process) upon receipt of adverse report from District Administration/Police during verification of antecedents and character.

8. **Period of engagement for the above post shall be co-terminus with the scheme.**

9. Scheme of Examination:

A. Scheme of Examination for the posts of:
   i. Helpline Administrator: 1 (one) post.
   ii. Project Co-ordinator: 16 (sixteen) posts.

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Intelligence and Reasoning, Computer Aptitude | 25 | 25 |
| 2 | Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| 4 | Subject matter- Child Rights & Protection, Child related relevant domains. | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

B. Scheme of Examination for the post of:
   i. IT Supervisor: 1 (one) post.

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Intelligence and Reasoning | 25 | 25 |
| 2 | Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| 4 | Computer Aptitude | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

C. Scheme of Examination for the posts of:
   i. Call Operator : 12 (twelve) posts.
   ii. Counsellor : 16 (sixteen) posts.
   iii. Child Helpline Supervisor : 48 (forty-eight) posts.
   iv. Case Worker : 48 (forty-eight) posts.

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Intelligence and Reasoning | 25 | 25 |
| 2 | Quantitative Aptitude | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| 4 | Subject Matter: Child Rights and Support Services | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

D. Scheme of Examination for the posts of:
   i. Multi-Purpose Staff : 3 (three) posts
   ii. Security Guard/Night Guard : 3 (three) posts

| Sl. No. | Sections | No. of questions | Total Mark |
|---|---|---|---|
| 1 | General Knowledge | 50 | 50 |
| 2 | Basic Mathematics | 25 | 25 |
| 3 | English Language | 25 | 25 |
| | Total | 100 | 100 |

Question of subjects listed at Sl. 2 and 3 of 9 (D) above will be **Class X** Level. Questions of General Knowledge are to assess the candidate's knowledge on politics, history, geography, literature, sports, arts and culture etc.

**There will be no Personnel Interview except for the post of Helpline Administrator.**

10. Detailed Schedule:

| Sl. No. | Particulars | Period/Date |
|---|---|---|
| 1 | Last date of online application | 25/08/2026 |
| 2 | Last date of Issue of Admit Card | Will be notified later |
| 3 | Date of Written Test Examination & Personal Interview | Will be notified later |
| 4 | Venue of Examination: | Will be notified later |

11. Candidates may apply for one or more post within the given category **A, B** and **C.** The preferred post shall be indicated clearly as **Sl. No. 1, 2, 3 and so on.**

**Category A:**
i. Helpline Administrator.
ii. Project Coordinator.

**Category B:**
i. Call Operator.
ii. Counsellor.
iii. Child Helpline Supervisor.
iv. Case Worker (if applied with Graduate)

**Category C:**
i. Multi Purpose Staff.
ii. Security Guard/Night Guard.

12. For any change/notification, the same will be notified in the department's website www.socialwelfare.mn.gov.in. All concerned shall regularly check the above mentioned website for any update. Social Welfare Department will not take responsibilities for any missed update/notification.

Sd/-
(Sheikh Abdul Hakim)
Director (Social Welfare),
Manipur.

SL/Social Welfare/06/07

